# জিরিদা চৎনরিবা মীতৈ ফুরুপকী চীং লেম্না ফজবা খরা

**– ৱাহেংবম প্রেমচান্দ কুম্বীচা –**

নোংচুপ থোঙ ঙাক্লিবা ইরমদম মণিপুরগী ফুরুপ কয়ানা খুন্দারিবা জিরিবামসিদা মীতৈ ফুরুপকী ফজবা চৎন-কাঙলোন খরা পাউচেসিগী মতেংদগী লৈবাক মীয়ামদা পাউদমজরি।

আর্টিকল অসি ইজরিবা ঐহাক্না জিরিদা কুমজা ২০০৪দা নুমিৎ নীনি/হুমনি অমদি কুমজা ২০১২দা থা অমা লৈরম্বদুদদি অদুক হাক্না সিমা কৌবা অৱা-নুংঙাই পাউদমজনীংবা লৈখিদে, শুপ্নতগী ইম্ফাল জিরি লম্বী-থোং ফত্তবগী অৱাবা অমদি জি রিগী উনা-ৱানা ফাওবা লেঙদবা নুংশিৎ, মৈ হৌনা শাবা নুংশা মৈশাগী ৱারী নত্তনা। ঙসিদি ঐহাক্না জিরিবামদা চহী অমা/অনী লৈরকপসিদা, মরু ওইনা মীতৈ ফুরুপকী ফজবা চৎন-কাঙলোন ঐখোয় খ্বাইনা ফজৈ খঞ্জবা অদুগা ইম্ফাল/মণিপুরগী তম্পাক লমদমদা খুন্দারিবা মীতৈশিংদা তমজনীংঙাই, ফিদম্ননীংঙাই ওইবা চৎন-কাঙলোন, লিচৎ/পথাপ খরসি পাউ চেসিবু পাবিরিবা ইরৈচাশিংদা নৈনজনবগী তাঞ্জা অমা পীজরি।

লাংবন থাগী লাই ওইখ্রবা অহল-লমন, ইপা-ইপুশিংদা ঙমজবা হৈথা পোত্থা, হৈ-রা কৎপা ‘লাংবন-তর্পন’ গী চাকলেন/লূক কৎপদা মফমসিদা নুপা-নুপী, অহল-লমন, অঙাং-নহাশিংনা লৌরিবা থৌদাং, শরুক য়ানবসি অঙকপা ফংনা ফজবা জিরিবাম লমদমসিদা উজবা ফংজরি। ইমা-ইনে, ইচে-ইচন নুপী ওইবীশিংনা শিধা থিনবা/এঞ্জাং-নাপি, পোৎ-চৈ লানবা পাক্তক্লনা চৎনরি। নুমিৎ য়াচংলকপদা তাদা-খুরা, মাম্মা, ইয়াম্বা, ইনাওশিংনা এঞ্জাং-নাপি শেম শাবা, এঞ্জাং মথেল লুকোই ১৩/১৪গী খুদম ওইনা ইরোনবা/অনৈবা, উতি, মরোই থোংবা, কাঙহৌ অসিনচিংবা ময়ামসিগী লফু শোইবা, আলু খেৎপা, মরোই-মপাং মনবা, চামথোকপদা নুপা ওইবশিংনা নম্না তৌবসু চৎনরি। ঐ ইশামকসু অঙম্বা খরা মোরোক অচার শেম্নবা, তোর্বোট মকু খোক্তুনা চম্ফুৎ তৌনবা য়াওজখি। মথেল লুকোই ময়ামসিগী মরক্তা ঐনা ঙক্লা থোকপা অদুগা য়াম্না মরু ওইনসু লৌনরিবা নীম মনা ক্রেম ক্রেম লাওনা ঙৌবা/তাওবসি মেরা মেস ঙা থোংবা য়াওদবা উৎসব, ফিরোই, লাংবন থাগী তর্পোনদা নীম মনাসি মথেল অমা ওইনরিবসিনি।

য়ুম পানবা, পুন্সি লৈপুন শেম্বগী/লুহোং খোঙদোংবগী থৌরম পরেং খরদা য়াম্না চীং লেম্না ফজবা অঙকপা ওইনা ঐনা উজবা অমা/অনীদি অহানবদা, লুহোংবা নুমিৎতা নুপী য়ূমগী লুহোংফমদা চেবাউ ফংদুনা নুপী য়ূমগী, নুপা য়ূমগী লাক্লিবা ময়ামদা ঙমজবা খরা নুপী য়ূমনা হৈ মহী, চা, অথুম অহাও, খের, গুলাব জামুন, তলনচিংবা পীজ-পীথক তৌদুনা তিল্লিবা ময়াম্বু মবুক পেলহনবসিসু ফজবা চৎনবী অমা ওইনা উজৈ। অনীশুবদা, লুহোংবা মতুং মঙানি চাক্লৌবা লোইরগা পাঙথোক্লরিবা থৌরম, ‘ঙাই-খঙনবা’ হায়বা থৌরম - চাকলেন অমা নুপা য়ূমদা নুপা ময়ূমগী মরী-মতা, ইমুং-মনুং অমদি নুপী য়ূমগী মরী মতা শাগৈ-নাতৈশিংগী ওইবা শকখঙ-মায়খঙনবগী খুদোংচাবা অমা পীবসিসু মণিপুরগী মীতৈ ফুরুপ কাঙলূপনা তাবা মফমশিংদা তৌবা উদে, তাজদে অদুবু জিরিবামদদি য়াম্নমক তঙাই ফদনা য়াম্না পাম্ননা তৌনরি, মসিমক ঐহাক্লসু খ্বাইদগী পামজবা থৌরম অমসু ওইরি। ঙাই-খঙনবা নুমিৎসিদা নুপা অমদি নুপী য়ূমগী মরী মতা, মরু ওইবা শাগৈ নাতৈ ইমুং মনুংগী অপূনবা চাকলেন চাক অমা চামিন্নরবা মতুংদা নুপা য়ূমগী শুমাং মাঙ্গোলদা নুপা য়ূমগী মরী মতাশিংনা খা-নোংচুপ মায়কৈদা ফম্নগা অমরোমদনা নুপী য়ূমগী মরী মতা মপু, মাম্মা, ময়াম্বা, মখুরা, মমা, মচে, মনে, মদোমচা, মমাবোকশিংনা নোংপোক অমসুং অৱাং মায়কৈদা মথংশিৎনা ফম্নে। নুপা য়ূমগী মীওই অমনা লেপখৎলগা লাক্লিবা নুপী য়ূমগী মীওইশিংদা নুপা য়ূমগী মীওইশিং অমমমতা ওইনা থিন থিন্দুনা সিনা মপুনি, মবোকনি, মকুবোকনি, মনেমবোকনি, মতৈনি, মনাওনি, মচেনি, মনম্মনি, মদোমচানি হায়না শক তাকনৈ। লোইরকপদা নুপা য়ূমনা নুপী য়ূমগী ইমুং মনুং মরী মতাশিংদা ঙমজবা খুদোলপোৎ ফি-রোল, ক্বা তাঙ্গ অমদা পৈশা/দখিনা খরগা পীদুনা ইকায়খুম্নবা/হরাও তয়াম্বা উৎলবা মতুং লুহোংলিবী নুপী (মৌ) সিনা মপামগী মমা-মপা, মবুং, মচে, মখুরা-মদোমচাশিংদগী য়াইফ থৌজাল নিজদুনা খুরুম্লগা লাকপীরিবা লমদম লমদমগী মচে মনে, মমা, মবোক ইমুং মনুংবু থোঙ্গাল ফাওবা নুংশিনা থিন্দোকপী। অসুক য়াম্না ফজখ্রবা চৎন-কাঙলোন খরসি জিরিবাম অমদি খুন লোন্নরিবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টতা খুন্দারিবা মীতৈ ফুরুপকী ইচিন ইনাওশিংনা ঙাক্লা চৎলি।

অসিগুম্বা ফজখ্রবা জিরিবামগী মীতৈ ফুরুপনা চৎনরিবা চৎন-পথাপ, কাঙলোন ময়ামসি উরু-তারুরগা নোংমা কাংদনা চাইথরক্লিবা, শিথরক্লিবা, পুকচেল খোইজেল, লিংজেল মান্নরক্ত্রিবা, মীতৈ অনী শুনা পূনবা য়াদ্রিবা, মীতৈ অমনা মীতৈ অমদা থাজবা থম্নদ্রি, থৌওই উশিৎনদ্রিবা, অমনা ঙাঙবা অমনা তানদ্রিবা, ফুরুপসিগী অপূনবা ৱাখল্লোন অমা শাগৎপদা খুরৌ থাংলিবা, অয়েৎ অকাই পীরিবা, থোক্লিবা ময়ামসিদগী অমুক হন্না থোক্তবা ওইরসনু, মায়থীবা পীবা ঙম্বা ওইরসি। অপূনবনা পাঙ্গলনি, মীতৈ ফুরুপসিগী ফজ-ফজবা চীং লেম্বা, চৎন-কাঙলোন কয়ামরুমসিনা ফুরুপসিগী মীপূম খুদিংদা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগী চাওরবা মরু ওইবা লম্বী অমা, অনৌবা ময়োন অমা চোঙলকপা ওইরসনু। ●

# ঐচ আই ভি/এইদসকী এৱ্যেরনেস পীবা অমদি খঙমিন্নবনা লায়না অসি শন্দোরকপদগী থিংবা ঙমগনি

**-ডা. খাইদেম অথৌবা -**

ঙসি ফাওবা লায়েংবা ঙমদনা লৈরিবা ঐচ আই ভি/এইদস লায়না অসি মখা তানা শন্দোকহল্লোইসি হায়রবদি ঐখোয় পুম্নমক লায়না অসিগী মতাংদা খঙমিন্নবগা লোয়ননা লেপ্পা লৈতনা মালেম শীনবা থুংনা এৱ্যেরনেস পীবগী তঙাইফদবা লৈরি। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মালেমদা কুমজা ২০২০ ফাওবদা মীওই মিলিয়ন ৩৬.৩ শিহনখি। লোয়ননা লায়না অসিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওইগী মশীংনা মিলিয়ন ৩৭.৭ ওইখি। অদুবু লাইবক ফবদি লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিখিবা মশীং অসি কুমজা ২০১০ অমদি ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা চাদা ২৩ হন্থরকখি। পুম্নমক অসি মালেমদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী ওর্গনাইজেসন কয়ানা অমদি লৈঙাক য়াওনা ঐচ আই ভি/এইদস শন্দোরকপা থিংনবা অমদি মাঙহন্নবগী পান্দমদা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা চথুরকখিবা থৌরাং থৌশিলশিংগী অচৌবা মহয়নি। অদুম্মকপু ঙসিসু লায়না অসি শন্দোরকপদি লেপ্পা লৈত্রি। পীকখ্রবা মীওই লাখ ৩০মুক্তমক লৈরিবা ষ্টেট অসিদসু হৌজিক ঐচ আই ভিগী লায়নাগা লোয়ননা হিংলিবা মীওই চা কয়া লৈরি। অদুম্মকপু মণিপুরদসু লায়না অসি হান্না লৈরম্বা ফীভমদগীদি য়াম্না ফরে হায়বা য়াই। তম্পাক্কী লমদা হান্না লায়না অসি পাক শন্না শন্দোরকখিবা অদু মশীং হন্থখ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি ষ্টেট অসিগী অথাপ্পা মফমশিং চীংগী লমশিংদা হৌজিকসু লায়না অসিনা মরম ওইদুনা ৱানা পূন্সি হিংবা মীওই কয়া লৈরি। লোয়ননা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা তোঙান-তোঙানবা লম্বী কয়াদগী লায়না অসি শন্দোরক্লি। খূদম ওইনা হায়রবদা, উখ্রুল, চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, মোরেনচিংবা মফমশিংদা ঐচ আই ভি/এইদসকী ফীভম শাফরি হায়বদি চুম্লোই।

অসিগুম্লবা চীংগী লমদা লৈরিবা মীওইশিংদা লায়না অসিগী মতাংদা খঙলবসু এৱ্যেরনেস ৱাৎপা মরম্না লায়না অসি মীওই অমদগী মীওই অমদা অদুম্মক মখা তানা শন্দোক্লি। মরম অদুনা অথাপ্পা লমশিংদা পাক শন্না এৱ্যেরনেস পীবগী তঙাইফদবা লৈরি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অমদি ঐচ আই ভি/এইদস শন্দোরক্তনবগীদমক থবক তৌরিবা এন জি ও অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংনা এৱ্যেরনেস পীবগী থবক চথুদবদি নত্তে। অদুম্মকপু মফমশিং অদুদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ শীজিন্নবা অমদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎতনা য়ূম্বানবগী মরী থম্বা অসিনা মরম ওইদুনা লায়না অসি মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকপগী অচৌবা মরম অমা ওইরি হায়বসি উখ্রুল অমদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট অমদি চীফ মেদিকেল ওফিসরশিংনা ফোঙদোরকখি।

অথাপ্পা মফম ওইবনা ঙসিসু হায়রিবা মফমশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা এ আর টি পীজনবা হোৎনবদা অচৌবা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লোয়ননা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংদা এ আর টি হীদাক পীজনবগীদমক্তা মখোয়বু ৱাখল তাহনবসু মথৌ তারি। কনাগুম্বা মীওই খরদি ঐচ আই ভি/এইদসনা নারম্বা য়াই হায়না চিংনবা লৈরবসু মতম চানা লায়েংথোক্তবদগী লৈখিদবা কয়া অমসু লৈরে।



মসিগী অচৌবা মরম কয়া অমদি লৈ। ইমুং-মনুং অমদি মরূপ-মপাংশিংদা হায়দোকপদা ইকায়বা অমদি সোসাইটি অদুনা করি খনখিগদগে খনবদগী দোক্টরশিংগী মনাক্তা লাক্তুনা তানদবদগী অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্লিবনি।

লায়না অসিগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীবদি য়াম্না তঙাইফদে। অদুম্মকপু হেন্না মরু ওইরিবদি য়ূম-য়ূমদা লৈরিবা অহল-লমন অমদি মমা-মপাশিংনা ইনখৎলক্লিবা মচা-মশুশিংবু চেকশিন্না শেন্নবীবগা লোয়ননা ঐচ আই ভি/এইদস লায়না অসিগী মতাংদসু মমুৎ তানা খঙহনবা মথৌ তারি। ঙসিসু মমা-মপা অমদি মচা-মশু ওইবশিংগী মরক্তা লায়না অসিগী মতাংদা হায়বদি মতৌ করম্না মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকই অমদি শন্দোরক্তনবগীদমক করি করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়বগী মতাংদা ইমুং-মনুং ফোংনা ৱারী শাবগী চৎনবী লৈত্রি অমদি খঙলবসু ফোঙদোক্লবা লৈত্রি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি হোংদোকপগী তঙাইফদবা লৈরি।

মালেমগী লৈবাক কয়াদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু চহী খূদিংগী দিসেম্বর ১দা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা লায়না অসিগী মতাংদা খঙননবা হোৎনরি। কুমজা ১৯৮৮দগী হৌরদুনা ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা চথুরকপা অসিগুম্বা এৱ্যেরনেস অসিগী মহয় ওইনা মীয়াম্না লায়না অসিগী মতাংদা খঙনরে। অদুম্মকপু অমুক্কা হেন্না খঙহন উহনবগী তঙাইফদবদি অদুম্মক লৈরি। কুমজা ১৯৮৮দগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড এইদস দেদা তোঙান-তোঙানবা থিম কয়াদা ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মতম অমদা ঐচ আই ভি/এইদসনা নারবা মীওই অমদা য়েংলম্বা মীৎয়েং ঙসিদি অওনবা অমা লাকখিদুনা মহৌশাগী পূন্সি মহিংদা অদুম্মক হিংবা ঙম্লে। মণিপুরদা মরুওইনা ঐচ আই ভি/এইদস শন্দোক্লিবা অসি চেকশিন থৌরাং লৌখৎতনা য়ূম্বানবগী মরী থম্বা অমদি ময়াই কাবা দ্রগ পূন্না-পূন্না কাপ্পমিন্নবদগী লায়না অসি শন্দোক্লবগী অচৌবা মরম ওইরি। মরম অদুনা হীরম অনী অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না লমদম অসিদা ঐচ আই ভি/এইদস পোজিটিভ ওইরিবা মীওইশিং অসি অয়াম্বনা চাওরাক্লা চহী ১৩দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা ওইরি। হায়রিবা চহী তাঙ্কক অসিগী মীওইশিং অসি ইনখৎলকপা মতম ওইবনা মখোয়গী অনীংবা-অপাম্বা ফাথবা ঙমহৌদবদগী অসিগুম্বা লায়না অসি চঙলক্লবগী অচৌবা মরম ওইরি। মরম অদুনা হায়রিবা চহী মতাং অসিদা মমা-মপা ওইবশিংনা চেকশিন্না শেন্নবীবগা লোয়ননা লায়না অসিগী মতাংদা তাকপী-তম্বীবা মথৌ তাই। ঐচ আই ভি/এইদস পোজিটিভ ওইবগী থেংনখিবা কেসতা ঈদগী শন্দোকপা অমদি মমাদগী মচাদা লৌরকপা থৌদোকসু য়াওদবা নত্তে। অদুম্মকপু অয়াম্বনদি দ্রগ কাপ্পা, তোঙান-তোঙানবা মীওই কাঙলূপশিংগা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতনা য়ূম্বানবগী মরী থম্বা অসিনি।

মতম অমদা ষ্টেট অসিদসু লায়না অসি পাক শন্না শন্দোরক্তনবা অকনবা মওংদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলম্মী। হৌজিকসু ষ্টেট পোলিসিগী মনুং চন্না লায়না অসি কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌবা অমদি মখা তানা শন্দোরক্তনবগী পান্দমদা মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি অমদি এন জি ও, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা অকনবা মওংদা খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। অখঙ-অহৈশিংগী মোতকী মতুংইন্না অমদি লমদম অসিদা ওইরিবা ফীভম অসিদা পাঙথোকখিবা রিসর্চশিংগী মতুংইন্না ঐচ আই ভি/এইদস মখা তানা শন্দোরক্তনবা অমদি কন্ট্রোল তৌদুনা থম্নবগীদমক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মায় পাকহনসি হায়রবদি এৱ্যেরনেস পীবা নৎতনা অতৈ অতোপ্পা পান্থৈ ঙসি ফাওবদি লৈত্রি। চীং অমদি তমদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরশিং অমদি কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরশিংদা পাক শন্না ঐচ আই ভি/এইদসকী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীবগী মথক্তা য়ূমথোঙ খূদিং চঙদুনা লায়না অসিগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীরবদি লৈঙাক্লা থম্লিবা পান্দম অসি শোয়দনা ফংবা ঙমগনি। লোয়ননা লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং মরু ওইনা দ্রগ মপূং ফানা থিংবা ঙম্লবদি ঐচ আই ভি লায়না মখা তানা শন্দোরক্তনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। লমদম অসিগী লাইবক থীবা অমনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ থিংবা ঙমদবা অসিনি। করিগুম্বা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ থিংবা ঙম্লবদি অমদি ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংনা পোজিটিভ ওইরবা মচা-মশুশিংদা এৱ্যেরনেস পীদুনা অতোপ্পা মীওইশিংদা লায়না অসি শন্দোরক্তনবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরবদি লায়না অসি মখা তানা শন্দোকপা ঙম্লক্লোই। মতমদুদা লমদম অসিদগী তপ্না-তপ্না ঐচ আই ভি হায়রিবা লায়না অসি মাঙখিগনি।

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি চাউখৎলকপগী মতুংইন্না লায়না অসিগীদমক ভেক্সিন পুথোক্লবগী অকনবা মওংদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। মায় পাকপা খরসু য়াওবদগী মখা তানা পুথোক্লিবা ভেক্সিন অদু টেষ্ট তৌবগী থবক পায়খৎনরি হায়বগী পাউসু লৈতবদি নত্তে। অদুম্মকপু হৌজিকমক্কী ওইনদি ঐচ আই ভি হায়রিবা মীওইবগী থৱায় লৌরিবা লায়না অসিদগী ঙাকথোকসি হায়রবদি মরুওইনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা এৱ্যেরনেস পাক শন্না পীবগী তঙাইফদবা লৈরি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লৈবাকমচাশা ইমা নম্বুল তুরেল কলহৌসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*



অহানবা ফোটো অসিদা উবিরিবসি শগোলবন্দ অমসুং উরিপোক ফাওনবা নম্বুল তুরেলগী মথক্তা শারিবা থোং অসিগী ময়ায়দা লেপ্লগা উবা ইমা নম্বুল তুরেলগী শক্তমনি। তুরেল অসি তুরেল মান্দ্রে। অমাজোনগী জঙ্গল মাল্লে। অনাকোন্দাগুম্বা অমসুং দোমেষ্টিক ৱাইল্ড এনিমেল মসা পানবীগুম্বা থোরক্কদবা মাল্লি। মরম অদুনা ফোটো অসিদা উবিরিবা তুরেল অসিগী মনাক্তা লৈরিবা তুরেলগী খোংনুং খোপচিল্লগা ইথ্মোল কোয়বীরিবা ইশাগীদা খনবা ইচিন ইনাওশিং চেকশিনবীয়ু। ঐখোয়না তাজবা পাউ অসিনা লানদ্রবদি হৈরাঙ্গোইথোংদগী ইরোইশেম্বা ফাওবা অর্বান ৱেষ্টনা ইমা নম্বুল তুরেলদা থোকহল্লিবা অমাঙ অতা অসিদগী নম্বুল তুরেল অসি অমুক হন্না হিংগৎহন্নবগী প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবগীদমক্তা লুপা ক্রোর মরিফুতরা তরেৎ কাইথোকখ্রে হায়রি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা মোংশাঙ্গৈদা ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অমদি শাগৎলে হায়না তাজৈ। অসুক য়াম্বা শেনফম অসি কাইথোকখ্রগা মীওই খরনা মোন্যুমেন্টনি হায়রিবা থোং নম্বোনবীগী অৱাংদগী ইরোইশেম্বা ফাওবদা ওইরিবা ইমা নম্বুল তুরেলগী শক্তম অসিদি য়েংহৈদ্রে। মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্লা ঙাহৌ, ঙাশেপ অমসুং ঙাকিজৌ ফারল্লিবা নাগা তুরেলবু নাগা নালা ওন্থোকপীদুনা মথক কুপশিনবীদুনা হাৎতোকপীখিবগুম ইমা নম্বুল তুরেলসি নম্বুল নালা ওন্থোকপীরগা হাৎতোকপীগদৌরিব্রা?

অনীশুবা ফোটো অসিদা উবীরিবসিনা মণিপুরদা লৈবা মীওই খরনা মোন্যুমেন্টনি হায়রিবা মালেমগী নিপানশুবা অঙকপা ওইরিবা থোং নম্বোনবীগী হেক অৱাংদা ইমা নম্বুল তুরেলগী শক্তমনি। মতম অমদা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ইমা নম্বুল তুরেলনা ঈমাই পানা চেল্লিঙৈ মতমদা, মমাঙঙৈদা মঙ্গল-চানা, লৈবাক হৱাই হৈঙান্নচিংবা য়োনফম ওইরম্বসি মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্লা মফম চাদে হায়না তেম্পররি মার্কেটকী খ্বাইদগী মমাঙ থংবা শরুক্তা হোংদোকহনখ্রগা ভোট ফংনবগীদমক্তা মমাঙঙৈদা কৈথেল লাইরেম্বা অমসুং লাইরেম্বীগী নূঙগী মীতম অনী লৈরম্বা মফম অসিদা মফম চাদনা লাইশঙ অমা শাগৎলিবসিগী হেক মনীংদা হৌরিবা খোংনাং পাম্বী অসিগী মরা থেংনা হাইনা হুম্না চেল্লম্বনি। মমাঙঙৈদা ঈশিংগী পাইপ পুনবা ইমা নম্বুল তুরেলগী খোংনুং শোক্লা তুরেলগী লৈরাই নূঙ-লৈঙোই অমসুং শিমেন্ট শীজিন্নদুনা চননিশনখ্রবনি। মসিগা লোয়ননা চহী খরগী মমাঙদা মণিপুরদা তুংদা ফত্তবা ঈশিংনা ঈশিং চাইবী খুদোল তমগদৌরিবা সিৱেজ প্রোজেক্টকী মখাদা ইমা নম্বুল তুরেলগী খোংনুংদা থোং নম্বোনবীগী হেক অৱাংদা কনক্রিত কন্সত্রক্সন অনী শাগৎলক্লি। থোং নম্বোনবীগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল্লোম থংবা থোং মখোঙ অনীগী কারক্তা লৈবা অহানবা অহোবদু অহানবগী কনক্রিত কন্সত্রক্সন অসি শানবগী তৌথোরকপা লৈবাক অদুনা ফুনজিনখ্রবনি। থোং নম্বোনবীগী মখোঙ অনীগী কারক্তা লৈবা অনীশুবা অহোবদা অহানবগী কনক্রিত কন্সত্রক্সন খনজিনখ্রবনি। হৌজিক থোং নম্বোনবীগী মখোঙ অনী অনীগী কারক্তা লৈহৌরিবসি অহোবা অহুম খক্তা ঙাইহৌরে। মতমগী মতুংইন্না তুরেলগী খোংনুং থেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা অহোবশিংসে পীকশিল্লক্লে। মসিগী মথক্তা ৱাহেংবম লৈকায়রোমদা থোং নম্বোনবীদা নপশিল্লক্লিবা খঙম ঙমখৎপা অমসুং খঙনেম নেমথবা থোং মতেক অসিগী লেন্দিং তৌনবা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা থোং মখোঙ অসিনা অমসুং থোং নম্বোনবীনা সেমি দামগুম ইমা নম্বুল তুরেলগী মহৌশাগী ঈচেল থৎতুনা লাক্লি অমসুং হৌজিক হৌজিকসু থৎলি। মসিনা মরম ওইদুনা নোংজ থাগী মতমদা তুরেল অসিগী ঈশিং মৌখৎপদা মতেং পাংশিল্লি। ঈশিং মৌখৎপনা মরম ওইদুনা শগোলবন্দ, উরিপোক অমসুং থাংমৈবন্দদা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাও থোকহল্লি। য়েংহৈদবা, উহৈদবা অঙকপা অমনা হৌজিক ইমা নম্বুল তুরেলগী থম্মোয়দা য়োৎ, নূঙকুপ, লৈঙোই অমসুং সিমেন্ট শীজিন্নদুনা পাইলস ফুজিন্দুনা ইমা নম্বুল তুরেলবু হাৎনবা হোৎনরি। লৈবাকমচাশা লৈঙাক্লা ইমা নম্বুল তুরেল হাৎতোক্কদৌরে, ইমা নম্বুল তুরেলগী থৱায় কলহৌসি। থিন্থরবদি নাগা তুরেলবু নাগা নালা ওন্থোক্লগা মথক কুপশিন্দুনা হাৎতোকপীখিবগুম, ইমা নম্বুল তুরেলসু নম্বুল নালা ওন্থোক্লগা শোয়দনা হাৎতোকপীখ্রগনি। লৈবাকমচাশা মীকপ থোক্লো।



অদোমগী - **থৌনাওজম মনোরঞ্জন**
উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়